## লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
রাইটরস য়ুনিয়ন মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দা এম অজুরুন কবিরনা ইবা শৈরেং লাইরিক থাজগী পাউজেল ফোঙবগী থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিডেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুর সহিত্য পরিষদকী প্রসিডেন্ট প্রো: থোইদিংজম তোম্বীনা অথোইবা লেংবীরকপা, হান্নগী জোইন্ট সেক্রেটরি এডুকেসন অবজুস সলাম্না অখন্নবা লেংবিরকপা, ডি ডি য়ু কৌসাল কেন্দ্র ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজ ইম্ফালগী ডিরেক্টর ডা: রহৈজউদ্দিন শেখনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি, ডি এম কোলেজ ওফ আর্টকী ডা: সরতচন্দ্র লোংজোম্বনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ডিসএবল এন্দ হেন্ডিকেপ পার্সন ডিভলপমেন্ট এজেন্সি শিংজমৈ চীংঙামখা ক্ষেত্রিলৈকাই নস্কুল মপালনা ওর্গনাইজ তৌবা সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেন্না স্পোন্সর তৌবা শিংজমৈ এ সিগী মনুংদা লৈবা ডিসএবল ওইরবা মীওইশিংদা পীবা থা-থাগী লুপা ২০০ পীবা পেন্সন স্কিম অসি হেন্না মপুং ফানা শিননবগীদমক ঙসি ফমখিবা এজেন্সি অসিগী মীফম্না মীওই ৯ না শাবা স্ক্রিনিং কম্মিটি অমা শেমখ্রে। এজেন্সি অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্ক্রিনিং কম্মিটি অসিদা য়াওরিবা মীওইশিংদি শিংজমৈ পি এসকী ও সি এন ইঙোচা, এ এম এস জি ওগী সেক্রেটরি সুমতি, সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেন, আই এস টি ভিগী জোইন্ট এডিটর জিৎ নিংঙোম্বা, পিপলস ক্রোনিকলসকী নুইজ এডিটর নিংঙোম্বম প্রমোট, এস এ এন এলগী সেক্রেটরি বিনাসক্ষী, এম এস ই এসকী ফাউন্দর সেক্রেটরি রোবিন্দ্রো, এডভোকেট সলাম বোইনাও অমদি নেসনল এৱার্দি ক্ষেত্রি পত্মানি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## জেনরেল বোডি মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পাইবী অপূনবা লূপ (নিমপাল) গী উরিপোক ব্রাঞ্চকী জেনরেল বোডি মিটিং অমা নিমপালগী প্রসিডেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা ময়াই তাংবল লৌদুনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৭ তা শমুশঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নিমপালগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ব্রাঞ্চ অসিগী চহি ২ গী থৌ পুনবগীদমক এগজুকেটিব কম্মিটি মেম্বর ১৫ য়েৎনবা য়াওদনা খনখি। খনখ্রবশিং অদুদি প্রসিডেন্ট ওইনা য়ুরেম্বম চিত্রা, জেনরেল সেক্রেটরিদা এল রোসিনি, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা মাইমোম নেনা, আই পি আর সেক্রেটরিদা এস রোস্নিনি। মীফম অসিদা নিমপালগী ব্রাঞ্চ ওইনা মপুং ফাবা য়ুনিট অমা ওইবদা য়ান্নরে হায়না লৈকায় ১৩ না ৱারেপ লৌখি। অফবা খুন্নাই, অফবা য়ুম্বীরেল ওইনবগী পান্দমদা পুম্নমক লমজিং-লমতাকপা ঙম্বা মমা অমা ওইনবা হোৎনবা চঙই। ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গলনা ঈরমদম কনমীন্নসি হায়বা মত কয়াসু পীন্নখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরূপ (মচা লৈমা) গী লাইফ মেম্বর অমদি স্কুল সোসাইটিগী সেক্রেটরি ওইরম্বী ফনজৌবম ইবেতোম্বীনা মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমদগী ফেব্রুৱারি ২৮ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মচা লৈমাগী ট্রেজরর সর্জুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফনজৌবম ইবেতোম্বীনা লৈখিদবদা মচা লৈমা, মচা লৈমা স্কুল সোসাইটি, মাইক্রো ফাইনান্স টিচিং, নন-টিচিং ষ্টাফ অমদি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা তৌরম্বা থবক কয়া অদুবু শিংথাবগা লোয়ননা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নিংথেমজাও লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৭ (ঐচএন এস):
লোক্তাক খোর্জেলূপ থাঙ্গী প্রসিডেন্ট ওইরম্বা নিংথৌজম নিংথেমজাওনা থা অসিগী ৩ দা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা মীফম অমা লূপ অসিগী সেক্রেটরিগী য়ুমদা পাঙথোক্লুনা মিনিট অহুম তুমীন্না লেপ্পুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে হায়না লোক্তাক খোর্জে লুপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লৈখিদ্রবা অসি ওজাগী শিনফমদা মতম কুইনা থবক তৌরমখি। মমিং লৈরবা বঙ্গলাগী অইবা বিবুতি বুসন্না ইবা দেব লোক অসিবু মণিপরীদা লাইরৈবাক হায়না হন্দোক্লুনা ফোঙলমখি।

## হোষ্টেল অমদি ইম্ফাল প্লানেটোরিয়ম চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী চহি অমা শুরকপগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চথবা ইনোগোরেসন ফোর্ট নাইটকী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৫ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না খুমন লম্পাক্তা নুপীমচা অমদি নুপামচাগী কেপাসিটি ১৫০ গী হোষ্টেল অমদি মণিপুর সাইন্স সেন্টর তাকয়েলপাৎ ইম্ফাল ৱেষ্টতা ইম্ফাল প্লানেটোরিয়ম শঙ্গাখ্রে।

খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা নুপীমচা অমদি নুপামচাগী হোষ্টেল শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হায়খি, অফবা মণিপুর অমা শেমননবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমীন্নসি। অহোংবা পূরক্লবগীদমক ঐখোয়না মোদেল ওইগদবনি। ইন্দিয়াগী প্রসিডেন্ট রাম নাথ কোবিন্না মণিপুর অসি স্পোর্টস কেপিটেল ওফ ইন্দিয়া হায়না ফোঙদোকপীরম্বা লৈখ্রবনি। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা ক্কালিটি মেন্টেন তৌদুনা অফবা শান্নরোই কয়া পুথোক্লবা হোৎনবা তাই। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি মপুং ফানা থবক তৌরবা মতুংদা শান্নরোইশিংগী পাফোর্মেন্সশিং অসি ষ্টদি তৌবা তঙাইফদে।

থা অসিগী ১৬ তা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া সাইন্স কোংগ্রেস হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি লাক্কদৌরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংলম্বা য়াই। ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেসতা ডিলিগেট ৪০০০ রোম্না শরুক য়াগদৌরি। থা অসিগী ১৫ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহসু ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা চহি অমা মপুং ফারকপগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফালদা লাক্কদৌরি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মোরেদা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টসু শঙ্গারমগনি। ইনোগোরেসন ফোর্ট নাইটতা তোঙান তোঙানবা স্কিম ১১৬ রোম শঙ্গাননবা আইদেন্টিফাইদ তৌরে।

নাগামপালদা নহা অমা লৈখিদবা থৌদোক অদু য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। মীশি অদুগী মতাংদা পুলিসনা সি সি টি ভিগী ভিডিও ফুটেজ এনালাইসিস তৌরি। মীহাৎ অদুদা চিংনবা মীওই অমা আইদেন্টিফাইদ তৌরে। পুলিস ডিপার্টমেন্টনা চিংনবা মীওইশিং ফাগৎনবা হোৎনরি।

শিংজমৈ এরিয়াদা ৱাইশিংপী নুপী অমসু কার অমনা থোল্লম্বদগী লৈখিদ্রে। মথৌ তৌরিঙৈদা মীওই অদু লৈখিদবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এক্স গ্রেসিয়া অমদি শেলগী মতেং পীননবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ই মিনিষ্টর লোসি ডিগো, এম এল এ ও হেনরি, সেক্রেটরি টু সি এম এম অসোক্কুমার, সেক্রেটরি (ৱাই এ এস) বোবি ৱাইখোম, ডিরেক্টর (ৱাই এ এস) এন প্রবিন অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা তাকয়েলপাৎতা চত্তুনা ইম্ফাল প্লানেটোরিয়ম শঙ্গাখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, প্লানেটোরিয়ম অসিনা মহৈরোইশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। সাইন্স হায়বসি মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদে। মীওইবনা হিংবদা সাইন্স হায়বসি য়াম্না মরু ওই। রিসর্চ ইন্সটিট্যুটনচিংবা লিংখৎপগী তঙায়ফদবা লৈ। মদু ওইরবদি রিসর্চ তৌবা য়াগনি। কেন্সর, ষ্টোন কেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওং কয়া অসি মতৌ করম্না ওইরকপনো হায়বগী মতাংদা নিংথিনা রিসর্চ তৌবা য়াগনি।

অচৌবা প্লানেটোরিয়ম অমা শান্নবগীদমক ডিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী ওফিসরশিংনা শেম্বীয়ু। সাইন্সকী লমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎপগী তঙায়ফদবা লৈ। লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা ইনভাইরোনমেন্ট অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনরি। মীয়ামগী সপোর্টকা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। চীং তম অনিগী মরক্তা নকশিন্নবা ফিভমশু লাক্লি। চাওখৎ থৌরাংগী লমদা চঙশিল্লক্লি। লম্ফেলপাৎতা ৱাটর বোডি শেমগৎনবগীদমক লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙলি। ইম্ফাল এরিয়াদা ইতৎ তত্তনা ফ্লাষ্ট ফ্লদ থোক্লিবা অসিদগী কন্ট্রোল তৌনবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎপগী তঙায়ফদবা কয়া লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ই ডি মিনিষ্টর এল দিখো, মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়রমেন এল রাধাকিশ্বর, এম এল এ বুংজাগিন বালতে, ও হেনরি, খাসিম বাসুম, টি ঐচ সৈত্যাবর্ত, এ কে মিরাবাই, চীফ সেক্রেটরি আর আর রসমি, সেক্রেটরি (এস এন্দ টি) নিদি কেশ্বরাণি, ডিরেক্টর (এস এন্দ টি) ই ইবোচাশু শরুক য়াখি।

## ‘মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি’

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টুডেন্টস ফেডরেসন এম এস এফনা শিন্দুনা থা অসিগী ৮ দা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ রাজত্রলিপি হায় স্কুল কৈশামথোং টোপ লৈরক্তা অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না এম এস এফকী ৱুমেন্স এফিয়রস কম্মিটিগী চিয়রমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা ঙসি রাজত্রলিপি হায় স্কুলগী হেড মিষ্ট্রেস কে ঐচ সুনিতা, কৈশামথোং টোপ লৈরক্কী মৈরা পাইবীগী এক্স জেনরেল সেক্রেটরি এস কৈলানি, এম এস এফকী ৱুমেন্স এফিয়রস কম্মিটিগী চিয়রমেন জোসিনি অমদি এম এস এফকী প্রসিডেন্ট এন জি মিলন্না প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইগনি। নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা অৱা চৈথেং কয়া অসি নুপী খক্তনা থেংনবদা ওইথোকপা ৱাবগী ফিভম উদুনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা পূন্দুনা শেম্বা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৭৫ তগী হৌনা মালেমগী মফম খুদিংদা নুপীগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চহি খুদিংগী অখন্নবা থিমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা টাইম ইজ নাও, রুরেল এন্দ অর্বান এক্টিভিষ্ট ট্রান্সফোর্মিং ৱুমেন্স লাইফস হায়বা থিম অসিদা পাঙথোক্কনি।

অসিগুম্বা থৌরম অসি মহৈরোই খুন্নাইনসু খঙজিনবা অমদি পাঙথোক্তুনা পূন্না ৱাখল তামীন্নবগী তঙাইফদবদু এম এস এফনা উদুনা হন্দক চহিগী ওইনা পাঙথোক্লবা শেম শাবনি। থৌরম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম, মহৈরোইশিং, নুপীশিং, সি এস ওশিংগী ইচিল-ইনাওশিং পুম্নমক্কসু শরুক য়াবিয়ু হায়দুনা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ত্রিপুরাদা লেনিনগী মীতম থুগায়রম্বগী থৌদোক বারবরিক একনি: এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
ত্রিপুরাদা রসিয়ান রিভোলুসনরি লিডর লেনিনগী মীতম থুগায়খিবগী থৌওং অসি ৱাখল্লোন ফি থুংদবা মীওই কাঙলুপকী থৌওংনি হায়না সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুডেন্ট য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌওং অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লেনিন হায়বসি লুচিংবা অমনি। অসিগুম্বা লুচিংবা অমগী মীতম্বু মীওই খরনা থুগায়বা হায়বসি লৈবাক মচা তাদবা, লুচিংবা মশক খঙদবগী থৌওংনি, থৌওং অসিনা ডেমোক্রে-সিবু মশক থিহল্লে। মহাত্মা গান্ধি হাৎখিবা নথুরাম গোদসেগী জয়ন্তি পাঙথোকপা ফাওবদা য়ারিবা ইন্দিয়াদা লেনিনগী মীতম থুগায়বা হায়বসি ইনি দয়া চাওখৎপগী মায়কৈদা চঙশিনবগী মহুত্তা হেন্না তমথিবা কাঙলোন্দা লাক্লে হায়বগা চপ মান্নে। ইন্দিয়াদা সেক্যুলরিজম অমদি ডেমোক্রেসিগী মমি শাল্লক্লি হায়বসি চুল্লক্লি হায়রি। পোষ্ট পোল ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা লেনিনগী মীতম থুগায়বা হায়বসিনা ইন্দিয়াদা ওইরিবা লৈঙাক্কী ফিভমগী য়াম্না অমোৎপা মশক অদু মালেমদা উৎথোক্লে হায়না লৌবা য়াই। ইন্দিয়াদা অকক্লবা লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইবা কাঙলুপশিংনা অপীকপা, অতোপ্পা লাইনিং চৎপশিংদা হন্থনা য়েংবদা নত্তনা কাসিজমগী অখুবা মীৎয়েংদগী শোকন-শম্নবা য়াদবগী ৱাকল্লোন হৌজিকসু মখোয়গী লু- তোংদা পক্লি। অসিগুম্বা লৈবাক মচা তাদবা ৱাখল্লোন অসি মণিপুরদা লানশিল্ল-ক্তনবা হোৎনসি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ফাওবা লানশিল্লকপদা নত্তনা তামিল নাদুনা দ্রাভিদিয়ন লুচিংবা অমগী মীতম থুগায়রম্বগী থৌদোকলাক্লে। থৌওং অসি এস এস য়ু এমনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লময়ানবা ইরাবতকী মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোনবু চেৎনা থাজদবা লন্নাই মীওই অমদি লূপশিংনা থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপি হায়নসু চেরোল অসিদা মখা তারি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
মৈতৈ লাইনিং চৎপা ফুরুপশিংগী লাই কৈথেল কাবা, লাইরুপ তিল্লুপ খাইনবগী থৌরম অমা হৈঙাংগী হনজীংদা লৈবা ইপুধৌ পাখঙবা অমসুং ইবেন্ধৌ লাইস্নাগী খুভমদা পাঙথোকখ্রে হায়না হনজীং মার্জিং কোল পাখঙবা লাইস্না কনবা লূপ (হমপাক লাইকল লূপ) কী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসি লূপ ৪ মথংশিংনা হমপাক লাইকন লূপ, সনামহী ডিভাইন সোসাইটি, উকল অমদি মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পার্ফোমিং সেন্টরনা শিন্দুনা চীংমী-তম্মী পূনশিন্নবা চাকলেন চামীন্নবা অমদি নুংশি-চান্নবা লৈমীন্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা নোংঙাদা লাইরেন পাখঙবনা হৈঙাং চীংগী হনজীংদা কোনুং ওইনা পাল্লিঙৈদা পাখঙবগী তালোই লৈমা লাইস্না ইবেন্ধৌনা লৈমা ৭ কা লোয়ননা কৈথেলদগী পোৎ তিল্লগা চাক খাংদুনা লাইরুক্তা তিলুক্তা পূন্না চাকচা হৈজানখিবা হনজীংগী খুভমলেন্দা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অসি খাগেম্বগী মতমদসু চাওনা পাঙথোকখিবগী খুদম ফংলি। লাই কৈথেল কাবগী থৌরম অসি হনজীংগী ইবেন্ধৌ লাইস্নাগী খুভমলেন্দা নাৎকী ফিজোল শেৎলগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী পোৎলম লৈরগা খুভমলেন্দা অথেনপোৎ কাবনি। অথেনপোৎ অদুবু অমুক থোং-থাল্লবা তুংদা চীংমী-তম্মী অনি পূন্না চামীন-থকমীন্নবনি। চীংমী-তম্মী পূন্না লাইথৌ থৌরম পাঙথোকমীন্নদুনা ইবুধৌ পাখঙবা, ইবেন্ধৌ লাইস্না অনিগী মফমদা চীংমী-তম্মী পূন্না নুংশি-চান্নানা লৈমীন্নসি হায়না থৌনি তৌমীন্নখি।

থৌরম অসি মমাং থক্তা মমিংদগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। কুমসি চহিদগী হৈঙাংগী খুঞ্জাশিং অমদি লূপ মরি অসিনা অচঙবা পৈশা পুথোক্তুনা পাঙথোকখি। চীংমী-তম্মীগী মীওই লিশিং ১ রোম হেন্না তিন্দুনা লাইথৌ থৌরম পাঙথোক-মীন্নখি হায়নসু মখা তারি।

## হেল্থ প্রমোসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৭ (ঐচএন এস): ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সি এস) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা: মোহেন্না লুচিংবা ভলন্টিয়র ১৩ য়াওবা টিম অমনা জিরিবামদা চত্তুনা থা অসিগী ১ দা লালপানি হায় স্কুলদা হেল্থ প্রমোসন প্রোগ্রাম এন্দ ফার্ষ্ট এদ, মোগ ড্রিল পাঙথোকখ্রে।

আই আর সি এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমতাই খুন্নৌদা চৎতুনা হেল্থ কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা হিদাক লাংথক কয়াসু য়েন্থোকখি। মোদোরপুরদসু হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখি। থা অসিগী ২ দা ওটো পার্কিং জিরিবামদা ফার্ষ্ট এদ মোর্গ ড্রিল পাঙথোকখি। থা অসিগী ৩ দা টিম অসিনা তমেংলোংদা চত্তুনা এক্লাবয়া রিসিডেন্সিয়েল স্কুল অমদি দোনবোসকো স্কুলদা ৱাটর সেনিটেসন এন্দ ফার্ষ্ট এদ মোর্গ ড্রিল হেল্থ প্রমোসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। কম্যুনিটি হোল লোংমাই পিছ লেন্দ নোনে পার্ট ৪ দসু হেল্থ কেম্প পাঙথোকখি। মফম অদুদসু ফার্ষ্ট এদ মোর্গ ড্রিল পাঙথোকখি। আই আর সি এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী টিম অদুনা থা অসিগী ১ দগী ৪ ফাওবদা ফার্ষ্ট এদ মোর্গ ড্রিল ৬, ৱাস প্রোগ্রাম ৫ অমদি হেল্থ কেম্প ৩ পাঙথোকখি হায়নসু মখা তারি।

## স্বাছ ভারত মিসনকী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
ডিরেক্টোরেট ওফ ফিল্ড পব্লিসিটি, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং এন্দ অর্বান এফিয়রসগা খুৎশম্নুনা শিন্দুনা স্বাস ভারত, স্বাছ সুরবেক্সন ২০১৮ হায়বা হীরমদা ফিল্ড ওফিসরশিংগী ওইবা ওরেন্টেসন ৱার্কসোপ অমা মণিপুর প্রেস ক্লবগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসনগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা হায়খি, অফবা থবক অমা তৌগে হায়রবদি অফবা ৱাখল চেনবা মথৌ তাই। দ্রেনদা ফত্ত হাউদি হুন্দোকপগী চৎনবী অমা ওইনা তৌরিবা অসি শেমন্দোক্লবা এৱ্যোরনেস প্রোগ্রাম তৌবা চঙই। সিষ্টেমেটিক ওইবা মওং অমা লাক্ত্রিমখৈ লু-নানবা খরা ৱাগনি। সিষ্টেমেটিক নাইরবা অমসুং লম্বী লমজাওদা মোৎশিলহল্লিবশিংবু নিংথিনা ঙাক- শেল্লবা মতমদা লু নানবা ঙমগনি। অফবা ৱাখল অসি মীপুম খূদিংমক্লা চেন্দুনা লু নাননা লৈনবা হোৎনবা চঙই। লু নানবা মণিপুর অমা ওইনবা ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমীন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই আই এস , রিজনেল ডিরেক্টর মাংজাঙম তৌথাং অমদি ফিল্ড ওফিসর ডি এফ পি ইম্ফাল কে সোনিকুমারসু শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

## অচুম্বা ৱায়েল ফঙদ্রিফাওবা লেপ্পুনা খোঙজং চঙশিনখিগনি: জে এ সি



থৌবাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা খাঙবোক্তগী অবেম্মা কৌবী অঙাং অমা হার্ট ওপরেসন তৌরবা মতুংদা লৈখিদবগী মতাংদা রিমস রোডতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালগী চেয়রমেন অমদি লিগেল এডভাইজরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং খাঙবোক্কী মীয়াম অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি হায়না জে এ সিনা মরাল শিরক্লি।

খাঙবোক্তা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা জে এ সিগী কনভেনর দিপিলকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, জে এ সি অমদি মীয়ামগা স্কাই হোস্পিটালগা করিগুম্বা নুংঙাইনদবা অমত্তা লৈতে। চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসি অবেম্মাগী থৌদোক অসিগুম্বা মতুংদা অমুক হন্না অতোপ্পদা থোক্তনবা অচুম্বা ৱায়েল অদু ফংনবা চঙশিনবা খোঙজংনি। খাঙবোক পার্ট ২ খুল্লাকপা মনিং লৈকাইদগী কে ঐচ রুপোগী চহি ২ রোমগী মচানুপী অবেম্মা হান্না ভাইরেল ফিভর লৈ হায়বসি ইমুং-মনুংনা খঙবা লৈতে। হোস্পিটালগী মায়কৈদগীসু খঙহল্লকখিবা লৈতে। নিমোনিয়া অমদি ভাইরেল ফিভর নাই হায়রগা করিগীদমক ওপরেসন মমাংদা তৌফম থোকপা চাংয়েংশিং অমত্তসু তৌদনা ফেব্রুৱারি ২৩ দা হোস্পিটালদা পুখৎলগা মথং নুমিৎ ফেব্রুৱারি ২৪ দা হাথু হাথুনা ওপরেসন তৌখিবা হায়বসি মীয়াম্না খঙনিংলিবা ৱাফমনি। মহৈ-মশিং হৈজদ্রবা ইমুং-মনুংদা স্কাই হোস্পিটালনা লান্না লমজিংদুনা লাইরবগী স্কিম আর বি এস ঐচকী মখাদা লেম্না লায়েংবীগনি হায়রগা এডমিট তৌবদগী ওপরেসন ওপরেসন লোইবা ফাওবদা লুপা লাক্ষ ২ গী মথক্তা চঙখ্রে হায়রিবসি হোস্পিটালগী চিয়রমেন্না মীয়ামদা খঙহনবিয়ু। অবেম্মা মীশিগী মতাংদা চেয়রমেন্না খাঙবোক্কী মীয়াম্না ঈৱাং শাগৎতুনা হোস্পিটালদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়না অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা মীয়াম্না ৱারৌই।

খাঙবোক্কী মীয়াম্না হোস্পিটালদা চৎতুনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ক্রাইমশিং পামদবা থৌওংশিং চথখিবা লৈতে। অচুম্বা ৱায়েল অদু ফংনবগীদমক ডেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং ওইনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমদি লৈঙাক্তা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপীয়ু হায়না চঙশিনবদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খাঙবোক জেদ পিগী মেম্বর রাজমোহন্না ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেটকী ওইবা ইশ্যু কয়াদা শরুক য়াদুনা মীয়াম্না শকখঙনরবা লিগেল এডভাইজরনা য়াম্না ফজদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসি জে এ সিগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। থোক্লিবা থৌদোক অসি খাঙবোক মীয়ামখক্তগী নত্তে, মণিপুর মীয়ামগীনি হায়না খনবিয়ু। ওপরেসন মনুংদা অবেম্মাগী মমা-মপানা মচাগী মশক য়েংজগে হায়বদা মনুংদা চঙবগী অয়াবা পীদবা, ওপরেসন মতুংদা চঙদুনা য়েংলুবদা অঙাং অদু ওন্থোকপা ফিভম অমদা লৈরমখি। অসিগুম্বা থৌদো অসি মতুংদা অমুক হন্না অতোপ্পগীদা থোক্তনবা হোৎনমীন্নসি। অচুম্বা ৱায়েল ফঙদ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মসিদা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং, লুপশিং অমসুং মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উন্নখিবা অদুদা জে এ সিগী মীওইশিং, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি লৈকাইগী মীওই কয়াশু শরুক য়াখি।

## ৱুমেন্স ডে লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
ইন্টরনেসনল ৱুমেন্স ডেনা লাকপদা মণিপুরগী নুপী শিন্মীশিং লোয়ননা মালেমগী নুপী শিন্মীশিংদা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) কী প্রসিডেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি গীতা জেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন মতুং ১৯ শুবা চহি চাগী ময়াই চনশিল্লকপা মতমদা নুপী শিন্মীশিংদা খুৎশুমন হন্থনা পীবা, থবক শুবগী অককনবা মতম লৈতবা, অহিংদা থবক শুহনবনচিংবা কয়াগী মতাংদা ন্যু য়োক্কী গার্মে ফেক্টরিশিংদা খুৎশুমল মতিক চানা পীদবদগী খাংবা ঙল্লক্ত্রবা ন্যু য়োক্কী শিন্মী নুপীশিংনা কুমজা ১৮৫৭ গী মার্চ ৮ দা অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। ঈহৌ অদুগী মরু ওইবা ডিমান্দ অনিদি- মান্নবা রাইট অমদি থবক শুবগী অককনবা মতম নোংমদা পুং ৮ ওইহন্নবগী ডিমান্দনি। ঈহৌ হৌরবসু ডিমান্দ পীবগী মহুত্তা পুলিস ফোর্স থাজিন্দুনা তমথিনা ফুদুনা ঈহৌ লাকশিনখি। কুনশুবা চহিচাদদি মালেমগী মফম অয়াম্বদা নুপীশিংগী রাইট ফংনবা লৈঙাক মপুশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা ঈহৌশিং খুমাং চাওশিল্লকখি। ১৯১০ দা মালেমগী লৈবাক ১৭ কী নুপী ডিলিগেট ১০০ রোম্না ৱারেপ লৌদুনা মার্চ ৮ বু ইন্টরনেসনল ৱুমেন্স ডে হায়না ওষ্ট্রিয়া, ডেনমার্ক, জর্মনি অমসুং সুইজর্লেন্দদা ইহান হান্না পাঙথোকপা হৌখি। অপূনবগী পাঙ্গল অমদি নিংহন্নদবা ঈহৌনা নুপীশিংগী অৱাংবা ফিদা মালেমদা কনবা ঙমখি।

ইন্টরনেসনল ৱুমেন্স ডেনা লাকপদা মণিপুরগী নুপী শিন্মীশিং অমদি মালেমগী নুপী শিন্মীশিংগী মফমদা মণিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিডেন্টনা য়াইফ পাউজেল পীরি। লৈঙাক্লোনদা নুপীশিংবু চাদা ৩৩ রিভার্জ তৌদুনা থম্নবা অমদি লৈবাক্কী অৱাংবা ফিদা পীদুনা থোং মান্নবা, চাওখৎপা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শিন্মী থাদোকপীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
চারহজারদা বেদ বিদ্যাপিতকী বিল্ডিং শারিবা মফমদগী ফাখিবা শিন্মী ২ থাদোকপীয়ু হায়না ঙরাং চারহজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

মণিপুর বেদ বিদ্যাপিতনা শিন্দুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা বেদ বিদ্যাপিতকী মহৈরোই অমদি লমদম অদোমগী মীওই কয়াশু শরুক য়াখি। মণিপুর বেদ বিদ্যাপিতকী প্রসিডেন্ট রাধাগোবিন থোঙামনা ফোঙদোকখিবদা চারহজারদা বেদ বিদ্যাপিতকী বিল্ডিং শারিবা মিষ্ট্রি অনি চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৭ তা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখ্রে। বেদ বিদ্যাপিত অসিদা অসাম, মণিপুরনচিংবা মফম কয়াদগী মহৈরোয় কয়াসু তল্লিবনি, বেদ বিদ্যাপিতকী বিল্ডিং অসি মীয়াম্না মতেং পাংবিরকপা কয়ানা শারিবনি। মীয়ামদা হায়জদুনা নিরগা খরা-খরা লাকপা অদুনা শারিবনি। বিল্ডিং অসি শারিবা মিষ্ট্রি অনি মফম অদুদগী ফাদুনা পুবিখ্রে। মখোয়বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ৱাকৎ মীফম ফমফম অদুদা ফাজিনখিবা শিন্মী কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপীয়ু হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি।

## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
তপসিয়া, সেন্টর ফোর পার্ফোমিং আর্টস শিংজমৈ ৱাংমা পবিয়া পন্দিৎ লৈকাইগী ১৭ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি অমুসনা শর্মগী রাধা মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

তপসিয়ানা পুথোকপা বসন্তগী শৈরোল হায়না মীংথোনবা প্রদক্সন অমসু উৎখি। থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর ইনসেম্বলগী ডিরেক্টর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি পদ্মাশ্রী নবা ৱারেপ্পানা প্রসিডেন্ট ওইনা ফমখি।

থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু তরাম্না ওক্তুনা ইকাইখুম্নখি। তরাম্না ওকখ্রবশিং অদুদি থিয়েটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিডেন্ট পদ্মাশ্রী নবা ৱারেপ্পা, সঙ্গিৎ নতক একাদেমী এৱার্দি এন শ্যামচান্দ, ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দি সি ঐচ ইবোহল, সঙ্গিৎ নতক একাদেমী এৱার্দি দব্লিয়ু লোকেন্দ্রজিৎ, মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজগী মেম্বর সেক্রেটরি এন জুগিন্দ্রো, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ফেল্লো পদ্মাশ্রী থৌরানি শাবী অমদি অরাংফম অচৌনি হায়না তপসিয়াগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মফম চাবদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর থম্বীয়ু: সোসাইটি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):
ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটরগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী এডমিনিষ্ট্রেসনগী খুদোংচাবা য়েংলগা মফম চাবদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর থম্বীয়ু হায়না সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেল মল্টিপরপজ কো ওপরেটিভ সোসাইটিগী চিয়রমেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা সুগুনু এ সিগী ওইনা সুগুনু পুলিস ষ্টেসন অমা, ৱাংঙুগী পুলিস ষ্টেসন অমা, সেরৌদা পুলিস আউট পোষ্ট অমা, ৱাংজিং খুন্নৌদা আউট পোষ্ট অমা, ককচিং খুন্নৌদা আউট পোষ্ট অমা, সুগুনুদা এ আরগী কেম্প, ৱাইখোংদা এ আরগী কেম্প, উমাথেলদা এদেদ কোলেজ অমা, লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী মহৈলোয়শঙ কয়াসু লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা সুগুনু ম্যুনিসিপালিটি, ককচিং খুন্নৌ ম্যুনিসিপালিটি, সেরৌ জি পি, ৱাংঙু জি পি, পাঙলতাবী জি পি, চাইরেন জি পি, ৱাংঙু জেদ পি লৈরে। সুগুনু কৈথেল, ককচিং খুন্নৌ কৈথেল, ৱাইখোং কৈথেলসু লৈ। মসিদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী চীংগী খুঙ্গং কয়াদগী খুঞ্জাশিংনা লল্লোন-ইতিক তৌদুনা ইমুং-মনুং পুন্নরি। সুগুনুগী লম্বী- থোং য়েংলুরগসু ডিষ্ট্রিক্ট অমগা ডিষ্ট্রিক্ট অমগা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা তুং কোইনা চহি লিশাং শিংনা অফবা মরী লৈহৌগদবা চীং-তম অনিবুসু মায়কৈ কয়াদা য়েংবদা চাওখৎকদবা য়েংলগা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর থম্নবা হোৎনবিয়ু। হিয়াংলম এ সিগী ওইনা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন অমা ৱাইখোংদা, হিয়াংলম পি এস অমা হিংয়াংলমদা, অরোং নোংমাইখোং পি এস অমা অরোং খুন্নৌদা, পুলিস আউট পোষ্ট অমা লাংমৈদোংদা, পুলিস আউট পোষ্ট অমা সেকমাইজিনদা লৈখ্রে।

হিয়াংলম এ সি অসি মরু ওইবা মণিপুরগী টুরিষ্ট সেন্টর থম্বদা খ্বাইদগী মফম চাবা ওই। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী মরু ওইবা পাৎ ওইরিবা লোক্তাক পাৎকী হেক মথংদা লৈরিবা পুমলেন পাৎ হায়রিবা পাৎ অসিসু হিয়াংলম এ সিদা লৈবা পাৎ অমনি। মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ অসি বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট অনিগী মনুংদা লৈবা পাৎ অমনি। মহৌশা লাইরেম্বীনা থম্লম্বা পাৎ অসিবু কন্নবগীদমক মেরাগী পূর্ণিমা নুমিৎতা লোক্তাক ডে বিষ্ণুপুরগীনা থাঙ্গদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট ওইনা কোল্লখোংদা লিশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হিয়াঙ্গৈগী পূর্ণিমা নুমিৎতনা পুমলেন ডে হায়না লিশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাকই। হিয়াংলম এ সিগী অরোম নোংমাইখোং পুলিস ষ্টেসন্দগী লাংমৈদোং তাবা লম্বী অসি ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা লম্বী অমনি। মসিনা অরোমনোংমাইখোং, ইথাই, ককচিং, ৱাইখোং, সুগুনু চৎখিবদা খ্বাইদগী খুদোং চাই। ককচিংনা ৱাইখোং থোংজাও, সেরৌ, সুগুনু, মোইরাং, চূড়াচান্দপুরদা অমদি সেকমাইজিন ফাওরগা ইম্ফাল রোমদা চৎখিবদসু খুদোং চাই। ককচিংদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর থমখিবদা মতম অমদা তুংদা ইকুই কুইদনা থেংনরক্কদবা অৱাবা খুদোংথিবা কয়া লাকপদা থোক্লক্কদবশিং খন্থহৌবা চুমগনি হায়নসু মখা তারি।